# ওরিষা এফ সীবু হায়দরবাদ এফ সীনা পেনাল্টি অমগী পাঞ্জলনা মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট ৩ ফংখ্রে



*হায়দরবাদ এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা ওরিষা এফ সীগী মায়োক্তা বোল হেদিং তৌনবা হোৎনখিবা*

বাম্বোলিম, নবেম্বর ২৩(এজেন্সী): গোৱাগী বাম্বোলিম সিটিদা লৈবা জি এম সী ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মরিশুবা মেটচতা হায়দরবাদ এফ সীনা ওরিষা এফ সীবু পেনাল্টি অমগী মতেংনা মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট ৩ ফংবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়ন সুপর লীগকী ৭শুবা এদিসনগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী হৌরকপা পুংখায় অমা লোইশিল্লকপা ফাওবদা লম্বা মান্নদুনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লাকখি। অদুবু বোল পায়বগী চাং য়েংনরুবদা হায়দরবাদ এফ সীনা ওরিষা এফ সীদগী হেন্দুনা লৈখি। হায়দরবাদ এফ সীগী মায়কৈদগী অহানবা পুংখায় অদুদা খূদোংচাবা খরা ফংখ্রবসু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা লাকখি।

শান্নবগী পুংখায় লানশিল্লক্লবা মতমদা হায়দরবাদ এফ সীগী মায়কৈদগী অরিদেন সান্তানানা পাস তৌরকপা বোল অমা টিমমেট হলিচরন নজারেদা খাইদোরকখি। মহাক্না কাওশিনখিবা বোল অদু ওরিষাগী কেপ্টেন ষ্টিভেন টেলরনা ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা পেনাল্টি বোক্স মনুংদা মখূৎতা পানখিবদগী রেফরিনা পেনাল্টি অমা হায়দরবাদ এফ সীদা পীখি। খূদোংচাবা অদু হায়দরবাদ এফ সীগী মায়কৈদগী সান্তানানা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ওরিষা এফ সীবু মাংজিল থারগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা পাঞ্জল অমা শোথরবা ওরিষা এফ সীগী মায়কৈদগী অরৈবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা ইক্বেলাইজর ফংনবা হোৎনরকখি। মখোয়গী মায়কৈদগী পুশিল্লকখিবা এটেকশিং অদু খূদোংচাবা পাঞ্জল ওইবা য়াবা তাঞ্জা ফংলবসু মখোয়না কাওশিনখিবা মতমদা মায়কৈ ওন্নবা খরা য়াওখিবদগী ইক্বেলাইজর ফংদনা লৈখি। অমরোমদা, পাঞ্জল মাংজিল থারিবা হায়দরবাদ এফ সীগী মায়কৈদগী মখা তানা মখোয়গী মায়কৈদা পাঞ্জল চল্লক্তনবা অকনবা মওংদা দিফেন্দ তৌদুনা মখোয়না মেটচ অদু ১-০দা থোইখি।

হয়েং জমশেদপুর এফ সী অমসুং চেন্নাইন এফ সী শান্নরগনি।

# 'দোমিনিক থিয়ম থোইদুনা এ টি পি ফাইনেলসকী টাইটল ফংবা অসিনা করিয়রগী খ্বাইদগী চাওনা মায় পাকপা ওইরি'



*ওষ্ট্রিয়াগী থিয়মবু মায়থীবা পীদুনা এ টি পি ফাইনেলসকী নুপাগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন ওইখ্রবা রসিয়াগী মেদবেদেব*

লন্দন, নবেম্বর ২৩(এজেন্সী): ইংলেন্দগী সিটি লন্দননা পাঙথোকপা এ টি পি ফাইনেলসকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা রসিয়াগী দানিল মেদবেদেবনা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়মবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখিবা অসিনা মশাগী করিয়রদা খ্বাইদগী চাওনা মায় পাকপা অমা ওইখ্রে হায়না মেদবেদেবনা ফোঙদোকখ্রে।

টেন্নিসকী সিজন অমা লোইশিল্লকপদা নুপাগী ওইনা মকোক থোংবা শান্নরোয় ৮না লম্বা তৌনবা অমদি দবলসকীসু মকোক থোংবা প্যের ৮না লম্বা তৌনদুনা পাঙথোকপা এ টি পি ফাইনেলসকী নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা রসিয়াগী ৱর্ল্ড নম্বর ফোর শান্নরোয় দানিল মেদবেদেবনা ৱর্ল্ড নম্বর থ্রী শান্নরোয় ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়মবু অকনবা লম্বা অমদা সেট ২-১দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াবদি, রসিয়াগী দানিল মেদবেদেবনা সেমীফাইনেলদা ৱর্ল্ড নম্বর টু ওইরিবা শান্নরোয় স্পেনগী রাফেল নদালবু মায়থীবা পীরম্বনি। অমরোমদা, ৱর্ল্ড নম্বর থ্রী শান্নরোয় দোমিনিক থিয়মনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচপু সেমীফাইনেলদা মায়থীবা পীরমখি। মকোক থোংবা শান্নরোয় অনী মায়থীবা পীবা ঙমখ্রবা শান্নরোয় অনীগী ফাইনেল লম্বা অদুদা দোমিনিক থিয়মনা অহানবা সেট অদু ৬-৪দা থোইবা ঙমখি।

অনীশুবা সেট অদু শান্নরোয় অনীগী মায়কৈদগী মান্নবা মওংদা শান্নরকপদগী টাইব্রেকনা সেট অদু মায় পাক্লনবা হোৎনরকখি। মদুদা সেট অমা শোথখিবা রসিয়াগী মেদবেদেবনা ওষ্ট্রিয়াগী থিয়মবু পোইন্ট ৭-২দা থোইরগা সেট অমমম্ মান্নখ্রবা মতুং অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা মেদবেদেবনা থিয়মগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪দা থোইরগা এ টি পি ফাইনেলসকী নুপাগী সিঙ্গলসকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

# এ সী মিলানগী ইব্রাহিমোবিচকী পাঞ্জল ২না এস এস সী নাপোলিবু ৩-১দা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে



*এ সী মিলানগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখিবা ইব্রাহিমোবিচ (মথক)*

রোম, নবেম্বর ২৩(এজেন্সী): ইটালিগী সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৮শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা এ সী মিলানদা শরুক য়ারিবা জিলাটান ইব্রাহিমোবিচনা চনখিবা পাঞ্জল ২না চাওনা মতেং পাংদুনা লম্বা ওইখিবা এস এস সী নাপোলিবু ৩-১দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মাংজিল থাবা ঙমখ্রে।

সেরি এগী ৮শুবা রাউন্দগী ঙরাং এস এস সী নাপোলিনা য়ূম্বু ওইরগা শান্নখিবা মেটচতা এ সী মিলানগা অকনবা মওংদা মায় পাক্লনবা হোৎনরকখি। মেটচকী অহানবা মিনট ১৫দা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী লেং মান্নখিবা মরম্না পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদে। অদুবু এ সী মিলানদা সিজন কয়াগী মমাংদা শরুক য়ারন্নবা অদুগা নৌনা চৎলিবা সিজন ২০২০-২১দা অতোপ্পা ক্লবশিংদা শরুক য়ারুরবা মতুং হল্লকখিবা ষ্ট্রাইকর জিলাটান ইব্রাহিমোবিচনা শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা টিমমেট থিও হর্নান্দেজনা পীরকপা বোল অমদা পাঞ্জল চন্দুনা নাপোলিবু এ সী মিলাননা ১-০দা হেন্দুনা লৈখি।

এ সী মিলাননা পাঞ্জল অমা চনশিনখ্রবা মতুং এস এস সী নাপোলিগী মায়কৈদগী অহানবা হাফকী পুংখায় ফাদ্রবা মতম অদুদা ফনা কন্না শান্নরবসু মখোয়না পুশিনখিবা এটেকশিং অদু এ সী মিলানগী দিফেন্দরশিংনা ঙাকথোকপা ঙমখিবদগী পাঞ্জল অহেনবা লৈতনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মিনট ৯ চঙশিল্লকপদা এ সী মিলানগী মায়কৈদগী মখা তানা চথুরকখিবা এটেক অমদা অন্টে রেবিসনা পীরকপা বোল অমদা টিম অদুগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা ইব্রাহিমোবিচনা ৫৪শুবা মিনটতা নাপোলিগী মায়োক্তা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা এ সী মিলাননা মেটচ অদু ২-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

পাঞ্জল ২ শোথরবা নাপোলিগী শান্নরোয়শিংনা অহেনবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা অহানবা হাফ অমসুং অনীশুবা হাফ হৌরকপদা মখোয়গী মথক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জল ২ হন্দাক্লবা হোৎনরকখিবা অদু ৬৩শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় দ্রাইজ মার্টেজনা অমা হন্দোকপা ঙমখি। পাঞ্জল ২-১দা মাংজিল থাবা ঙল্লবা এ সী মিলানগী মায়কৈদগী শান্নবগী ইঞ্জ্যুরি টাইমদা ইস্মেলনা পীরকপা বোল অমা মতাং-মতম চানা ফংদুনা এ সী মিলানগী পিটর হোকনা পাঞ্জল অমা চল্লগা ৩-১দা থোইখি।

ঙরাং অথেংবদা মায় পাকপা ঙমখ্রবা এ সী মিলাননা সেরি এগী ওইবা অপূনবা মেটচ ৮ শান্নবা ঙমখিবদা মেটচ ৬ মায় পাকপা ঙমখিবা অমদি অতোপ্পা মেটচ ৬ দ্রো চৎলবা মতুং পূন্না পোইন্ট ২০ ফংলগা টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা মকোক্তা লৈবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মমাংগী সিজনদা টাইটল লৌবা ঙমখিবা য়ুভেন্টসকী টিম ঙরাং মায় পাকপা ঙমখ্রবসু পোইন্ট ১৬ ফংলগা মরিশুবা পোজিসনদা লৈরি। সেরি এগী ওইনা ৮শুবা রাউন্দ শান্নবা লোইশিনখ্রবা মতুংদা এ সী মিলাননা মকোক্তা লৈরগা সাসুলো ফুটবোল ক্লবনা চপ মান্নবা মেটচমশীংদা পোইন্ট ১৮ ফংলগা অনীশুবদা লৈরি। চৎলিবা সিজন অসিদা সেরি এগী মকোক থোংবা টিম অমা ওইনবা কন্না হোৎনরক্লিবা সাসুলোগী টিমনা মেটচ ৮দা পোইন্ট ১৮ ফংলগা অনীশুবা থাক্তা লৈবা ঙল্লি। রোমাগী টিম মেটচ ৮দা পোইন্ট ১৭ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি। অদুগা য়ুভেন্টস পোইন্ট ১৪ ফংলগা ৬শুবা পোজিসনদা লৈরি।

# ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর বিদিট গুজরাথি ১৫শুবা পোজিসনদা শোথদুনা লৈরি

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ২৩(এজেন্সী): মালেমগী ওইনা ওনলাইনদা পাঙথোকপা চেছ দিসিপ্লিনগী মরুওইবা শান্নরোয় অমা ওইরিবা গ্রান্দমাষ্টর বিদিট গুজরাথিনা মকোক থোংবা অতোপ্পা শান্নরোয় ১৫গা লম্বা তৌনরিবা স্কিল ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্টকী মঙাশুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপা ফাওবদা পোইন্ট ১.৫ ফংলগা ১৫শুবা পোজিসনদা শোথদুনা লৈরি।

ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা নোরৱেগী মেগনস কার্লসন য়াওবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় বিদিট গুজরাথি ইরানগী শান্নরোয় অলিরিজা ফিরোজাগা দ্রো চৎখি। অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় বিদিট গুজরাথি অর্মেনিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর লেবোন অরোনিয়াগী মখূৎতা মায়থীবা নংখি।

অহুমশুবা রাউন্দদা পোলেন্দগী গ্রান্দমাষ্টর জে দুদাগা লম্বা তৌনরকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় বিদিট গুজরাথি দ্রো চৎতুনা টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা পোইন্ট অদু ফংখি। অহুমশুবা রাউন্দদা বিদিট গুজরাথিনা চাইনাগী গ্রান্দমাষ্টর দিং লিরেনগা লম্বা তৌনরকপদা দ্রো চৎতুনা হান্নগী পোইন্ট মখায় অদু থাজিল্লগা পোইন্ট ১ ফংদুনা লৈখি।

ঙসি অথেংবদা শান্নখিবা তরুকশুবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী নম্বর থ্রী চেছ শান্নরোয় ওইরিবা বিদিট গুজরাথি নেদরলেন্দসকী গ্রান্দমাষ্টর অনিশ গিরিগা লম্বা তৌনবদা মায়থীবা নংদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা মহাক্কী মপূং ওইবা পোইন্ট অমত্তা ফংবা ঙমদনা লৈখি।

হৌজিক ফাওবদা স্কিল ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট অসিদা নেদরলেন্দসকী গ্রান্দমাষ্টর অনিশ গিরিনা রাউন্দ মঙা লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৪ ফংলগা খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি।

স্পেনগী গুইজারো এন্টোননা পোইন্ট ৩.৫ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরি। মহাক্কী মথংদা রাউন্দ মঙা লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৩ ফংলগা পূন্না শান্নরোয় মরি লৈরি। মখোয়শিং অদুদি য়ু এসকী ৱেস্লি, রসিয়াগী নেপোমনিয়াচি, অর্মেনিয়াগী লেবোন অরোনিয়ন অমসুং য়ু এস এগী হিকারু নাকামুরানি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ঙসি অথেংবদা ফংখিবা শান্নরোয়শিংগী পোইন্ট টেল্লি য়েংনরুবদা নেদরলেন্দসকী অনিশ গিরিনা মাংজিল থারগা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবা নোরৱেগী মেগনস কার্লসননা পোইন্ট ৩.৫ ফংলগা অনীশুবদা অদুগা মহাক্না পোইন্ট চপ মান্ননা স্পেনগী গ্রান্দমাষ্টর গুইজারো এন্টোনসু পোইন্ট ৩.৫ ফংলগা কার্লসনগা য়েংনবদা প্রোগ্রেসিভ স্কোরদা হন্থখিবদগী অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি।

ওনলাইন স্কিল টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় বিদিট গুজরাথি মখা তাবা রাউন্দশিংদা মায় পাকপা ঙমদ্রবদি নোকআউট ষ্টেজ য়ৌবগী খূদোংচাবা অদু লৈরোইদৌরি।

# লেষ্টর সিটিবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইদুনা লিভরপুল পোইন্ট টেবলগী ২শুবা পোজিসনদা হাইগৎখ্রে



*লিভরপুলগী রোবর্টো ফর্মিনোনা লেষ্টর সিটিগী মায়োক্তা পাঞ্জল চনখিবা*

লন্দন, নবেম্বর ২৩(এজেন্সী): ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী হৌখিবা সিজনগী চেম্পিয়ন ওইখিবা লিভরপুল ফুটবোল ক্লবনা চৎলিবা সিজন অসিগী ৯শুবা রাউন্দগী মেটচতা লেষ্টর সিটিবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা ৯শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মমাং সিজনগী চেম্পিয়ন লিভরপুল এফ সীনা য়ূম্বু ওইরগা লেষ্টর সিটিগা লম্বা তৌনখি। নীংশিংবা য়াই, লিভরপুল এফ সী মমাংগী রাউন্দ ৮ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ১৭ ফংলগা মরিশুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অদুগা লেষ্টর সিটিনা চপ মান্নবা মেটচ মশীংদা পোইন্ট ১৮ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈখি।

ঙসিগী মেটচ অদুদা অহানবা হাফকী হৌরকপা মিনট ১৫ রোম চঙশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। শান্নবগী ২১শুবা মিনটতা লিভরপুলগী মায়কৈদগী চথুখিবা এটেক অমদা লেষ্টর সিটিগী দিফেন্দর জোনি ইভান্সনা শোয়বদগী থকচিঞ্জখিবা বোল অদুনা লিভরপুলগী অহানবা পাঞ্জল অদু ওইহনখি।

পাঞ্জল অমা মাংজিল থাবা ঙল্লবা লিভরপুলনা মখা তানা চথুরকখিবা এটেক অমদা অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ৪ ৱাৎলিঙৈদা এন্দ্রু রোবর্টসনগী মায়কৈদগী পীরকপা বোল অমদা টিমমেট দিওগো জেটানা মেটচ অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা অহানবা হাফ অদু মখোয়না লেষ্টর সিটিবু ২-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

মেটচ অদুগী অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতম নাকল অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লিভরপুলনা ২-০দা অদুম্মক হেন্দুনা লৈখি। শান্নবা লোইগদবা মিনট ৪ ৱাৎলিঙৈদা লিভরপুলগী মায়কৈদগী জেমস মিলনরনা পীরকপা বোল অমদা রোবর্টো ফর্মিনোনা লিভরপুলগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। মেটচকী মখা তাবা মিনট খরা অদুদা লেষ্টর সিটিগী শান্নরোয়শিং পাঞ্জল অমফাওবা চনবা ঙমদনা ০-৩দা মায়থীবা নংখি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা অর্সনেল অমসুং লীদ্স য়ুনাইটেদ পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখি। দ্রো অদুনা মরম ওইরগা অর্সনেল হান্না লৈরম্বা ১২শুবা পোজিসন অদুদগী থাক অমা হাইগৎলগা ১১শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখি। অমরোমদা, লীদ্স য়ুনাইটেদসু হান্না পোইন্ট ১০ ফংলগা ১৫শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী ১৪শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা ঙরাং ৱেষ্টহেম য়ুনাইটেদনা সিফিল্ড য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা ৮শুবা পোজিসনদা হাইগৎখি।



HL/P/7685/8/10-5/12 (alt)










Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com